# পাকিস্তানদা ইকনমিক রিফোর্ম লেপ্পবদি শেল থুমগী তং-তাবা ফিভম মাঙখ্রগনি : আই এম এফ



ইস্লামাবাদ, জুলাই ২২ (এজেন্সি):
চহী অহুমগী মমাঙদা পাকিস্তানদা পুরকখিবা মেক্রোইকনমিক্কী তং-তাবা ফিভম অদু লৈবাক অসিনা মখা তাবা রিফোর্মশিংগা শাগোন্ননা চৎপা ঙমখ্রবদি অকাইবা লাক্লিঙাই ওই হায়না আই এম এফনা চেকশিন ৱারোল ফোঙদোকখ্রে। অরুবা ৱাথোক অমা ওইরবা পানামা পেপর্স কেসকী মতাংদা পোলিটিকেল টেন্সন লৈরিঙৈদা আই এম এফনা চেকশিনৱা অসি পীখিবনি।

পাকিস্তানদা লৈবা ইন্টর্নেসনেল মনিটরি ফন্দ (আই এম এফ) গী রেজিদেন্ট রিপ্রজেন্টেটিভ টৌখির মিরজোবনা হায়খি শেল-থুমগী তং তাবগী ফিভম শীজিন্নদুনা আই এফ এফকী খুত্থাংদা পুরকখিবা কান্নবশিংদু হেন্না তুং কোইনা চৎনহন্নবা হোৎনগদবনি।

মিরজোবনা হায়খি, মখা তানা রিফোর্মশিং চত্থদ্রবদি হৌজিক চৎনরিবা মওংশিং অসিনা মেক্রোইকনমিক ষ্টেবিলিটিদা অকাইবা পীবা য়াই। শেঙ্গা-থুমজা তৌবা অমসুং লোনা য়াদবা শেনফম কয়া মপানদা ট্রাঞ্জেক্সন তৌরম্বগী মরালগা মরী লৈননা প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফ অমসুং মহাক্কী ইমুংগী মায়োক্তা পায়খৎলিবা পানামা পেপর্স কেসকী ৱায়েল লাক্ত্রি ঙৈগী মাঙওইননা মরা চেৎতবা পোলিটিকেলগী ফিভম অমা লৈরিঙৈদা আই এম এফকী মায়কৈদগী চেকশিন ৱারোলশিং অসি ফোঙদোরকখিবনি। কেস অদুগী হিয়রিংশিং লোইরবা মতুংদা সুপ্রিম কোর্টনা ঙরাং মদুগী জজমেন্ট রিজর্ভ তৌদুনা থমখি। এপেক্স কোর্টকী ৱারেপনা লৈবাক অদুদা কাংখোং চাইবগী ফিভম অমা লাকহনগদৌরিব্রা হায়বদু হৌজিক চপ চানা হায়বা ঙম্মদ্রি।

নৱাজ শরিফকী মচানুপাশিং অমসুং মচানুপীনা মপু ওইবা মপানদা লৈবা কম্পেনিশিংনা মখোয়গী ইমুংগী লন-থুমশিং মেনেজ তৌই হায়বসি হৌখিবা চহীদা লিক ওইখিবা পানামাগী চে-চাংশিংদগী খঙনরকখি। ৱাথোক ওইরিবা এসেটশিংদুদা লন্দনগী পার্ক লেনদা লৈবা মমল তাঙলবা ফ্লেট মরি য়াওরি।

মরা চেৎপা শেল-থুমগী ফিভম অমা লৈহনবা ঙমখিবদগী পুরকখিবা নুংঙাইবা মতমগী ফিভম অসি য়াম্না ৱানা তানখিবা শেল-থুমগী ষ্ট্রকচরেল ট্রান্সফোর্মেসন হেন্না চেৎশিনহন্নবগী খুদোংচাবা অমনি। মসিনা তুংদা লৈবাক অসিগী শেল-থুমগী ফিভম মরা চেৎহনগনি হায়না মিরজোবনা দোন পাউচেদা হায়খি।

হৌখিবা চহী অহুম অসিদা পাকিস্তানগী শেল-থুমগী থবক থৌরমশিং পুক্নিং থৌগৎনিঙাই ওইনা চাওখৎখি। আই এম এফনা পীবা প্রোজেক্সনগী মতুং ইন্না, কুম্মজা ২০১৮ অমসুং কুম্মজা ২০১৯ দা পাকিস্তানগী শেল-থুমগী ফিভম মখা তানা ফগাৎলকপা ঊগানি।

শেনবা চহী ২০১৭ কী ওইনা আই এম এফনা পাকিস্তানগী জি ডি পিগী গ্রোথ চাদা ৪.৭ তগী চাদা ৫ দা হেল্লক্কনি হায়না মাঙজৌননা ফোঙদোকখ্রবনি।

# অরাবকী মুক্লবগী ফিভম লৈখাই তাথোক্লবা কটরগী রুলর হমাদ অল-ঠানিনা অপীল তৌখ্রে

দোহা, জুলাই ২২ (এজেন্সি):
গল্ফতা হৌজিক থোক্লিবা মহাক্কী লৈবাক্কা অরাব ষ্টেট মরিগা মুক্লবগী ফিভম লৈবা পোলিটিকেল ক্রাইসিস ৱারী শানদুনা লৈখাই তাথোক্লবা কটরগী এমিরনা ইরাই নুমিৎতা মরী লৈনবশিংদা অপীল তৌখ্রে। মহাক্না ৱারী শানবদুদা নেসনেল সোভরেন্টিবু ইকাই খুম্নবা উৎকদবনি হায়খি। তৌইগুম্বসুং এমির অসিগী অপীলনা ক্রাইসিস অদু লোইশিনহনবা য়াগনি হায়বগী থাজবদি লৈত্রি।



অরাব লৈবাক মরিনা মখোয়গা দোহাগা লৈনবা মরীশিং থদৎখ্রবা মতুংদা অহানবা ওইনা পীবা মহাক্কী স্পিচতা নিংহন্নবা লৈত্রবা শৈইখ টামি বিন হমাদ অল-ঠানিনা হায়খি, চুমদবা মওং অমদা মহাক্কী লৈবাক্তা অচৌবা চৈথেং অমা পীদুনসু লৈবাক অদুগী মীয়াম্না মহৌশাগুম্না হিংলি।

সাউদি অরাবিয়া, য়ুনাইটেদ অরাব এমিরেটস, বেহরেন অমসুং ইজিপ্টনা হৌখিবা থাদা কটরগা মখোয়গা লৈনবা মরী পূম্বা থদৎখি অমসুং লৈবাক অসিগী মথক্তা অথিংবা কয়া থমজিনখি। মখোয়না খোঙথাংশিং অদু কটরবু এক্সট্রিমিষ্ট গ্রুপশিং অমসুং টেরোরিজম শৌগৎলি হায়না মরাল শিরদুনা লৌখৎখিবনি। এমির অসিনদি লৈবাক মরিনা শিরিবা মরালশিংদু য়াখিদ্রে।

‘কটরনা হনবা নাইদবা থৌনাগা লোয়ননা টেরোরিজম থেংনরি। টেরোরিষ্টশিংগা য়াশিন্নবা পুরকপগী ৱাফম লৈতে, ইন্টর্নেসনেল কম্যুনিটিনা মসিবু খঙই’ হায়না শৈইখ টামিমনা টেলিভিজনদা শন্দোকখিবা স্পিচ অমা পীরদুনা হায়খি।

টেরোরিজমদা শেন থাদবা থেংনবগী পান্দমদা এগ্রিমেন্ট অমা থবক ওইনা পাঙথোক্লবা কটরনা হোৎনরিবশিংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা অপেনবা পোকই হায়না য়ু এসকী সেক্রেটরী ওফ ষ্টেটস রেক্স টিলরসন্না ফোঙদোকখিবা মতুংদা মহাক্না মতম শাংনা ৱা ঙাংখি। টিলরসন্না কটরগী থবকশিংদা অপেনবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ষ্টেট মরিদা মখোয়গী লম ব্লোকেদ তৌবগী খোঙথাংদু লোইশিন্নবসু তকশিনখি।

ফিভম অসি ক্রাইসিস অদুদা কটরবু শৌগৎলিবা টর্কিগী প্রসিদেন্ট টায়িপ ইর্দোগননা য়েংথীনবগী ফিভমদু লৈখাই তানবা হোৎননবা কটর, সাউদি অরাবিয়া অমসুং কুৱেটতা চৎকদবা নুমিৎ খরনি ৱাৎলিঙৈদা লাক্লিবনি।

থা অসিগী অঙনবদা ডিপ্লো-মেটশিংনা কোইচেন চেন্নদুনা হোৎননখিবা মতমদা টিলরসন্না কটরগা টেরোরিজম ফাইনান্স তৌবা থেংননবগী দিল অমা সাইন তৌনখি। মদু শাংলবা চহী কয়ামুক্কী মনুংদা নোংচুপ লোমগা মীচং ওইনবা গল্ফকী লমদমদা থোক্লিবা শাথিরবা ক্রাইসিস অদুবু লৈখাই তানবা কুৱেটনা লূচিংদুনা হোৎনরকখিবশিংগী শরুক অমনি।

অল ঠানিগী ৱাফম অদুগী মতাংদা কম্মেন্ট পীরদুনা য়ু এ ঈদা ফোংনা ওনলাইন ন্যুজ ৱেবসাইট অমগী এদিটর অলি অল-নাইমিনা হায়খি, ‘মসি য়াম্না মঙক কনবগী মওং উৎপা স্পিচ অমনি। মসিনা কটরনা টেরোরিজম শৌগৎপা লেপ্লোই হায়বগী পাউজেলশিং পী।’

# মীরৈবাক্কী ড্রগ লল্লোনবশিং থেংনরবদি নোংমৈনা কাপ্লবা ইন্দোনেসিয়াগী প্রসিদেন্ট ৱিদোদোনা য়াথং পীখ্রে

জকার্টা জুলাই ২২ (এজেন্সি):
ময়াই কাবা চীঙ্গাকশিংগা মরী লৈননা ইন্দোনেসিয়ানা হৌজিক মায়োক্নরিবা ইমরজেন্সিগী ফিভম থেংনবদা ড্রগ ট্রাফিক্করশিংবু নোংমৈনা কাপ্লবা ইন্দোনেসিয়াগী প্রসিদেন্ট জোকো ৱিদোদোনা লো ইনফোর্সমেন্ট ওফিসরশিংদা ইনষ্ট্রক্সন পীখ্রে।

লৈবাক অসিদা চঙলক্লগা ফাহন্দনবা হোৎনরিবা মীরৈবাক মচাশিংবু মরু ওইনা অকনবা ফিরেপকা লোয়ননা য়েংশিনগদবনি। মখোয়দা নোংমৈনা কাপকদবনি মরমদি হৌজিক লৈবাক অসি ময়াই কাবা চীঙ্গাকশিংনা মরী লৈনবা ইমরজেন্সিগী ফিভম অমা মায়োক্নরি হায়না প্রসিদেন্ট ৱিদোদোনা হায়খি। ইরাই নুমিৎতা ইন্দোনেসিয়াগী পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মনুংদা অমনা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা স্পিচ পীবদা ৱিদোদোনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

ৱিদোদোগী ৱারোলশিং অসি ফিলিপিন্সকী প্রসিদেন্ট রোদ্রিগো ড্যুটর্টেগো চাংদম্নবা য়াবগী মওং অমা উবা ফংলি। ফিলিপিন্সকী প্রসিদেন্ট অসিনা চহী অমরোমগী মমাঙদা ড্রগকী মায়োক্তা চঙশিনখিবা চিংনবা মীওইশিং থিবা-হুম্বগী অমসুং ফাবা পুনবগী কেম্পেইনদা ড্রগ দিলর কয়া হাৎখ্রবনি।



ড্রগকী মায়োক্তনি হায়জরবসু মীশি-মীনা থোকহনবা কেম্পেইন অদুবু য়ুনাইটেদ নেসন্স য়াওনা ইন্টর্নেসনেল কম্যুনিটিনা কন্দেম তৌনখি। হৌজিকমক ইন্দোনেসিয়াদা ড্রগকী মায়োক্তা অকনবা লোশিং চৎনরিবনি। রাইটস এক্টিভিষ্টশিং অমসুং গভর্নমেন্ট খরনা ইন্দোনেসিয়াদা শিবগী চৈরাক মুত্থৎনবা অপীল তৌনদুনা লাকখি।

# হৱাইয়ী ষ্টেটনা মিসাইল এটেক্কীদমক শেম শাবা হৌখ্রে

হোনুলুলু, জুলাই ২২ (এজেন্সি):
নোর্থ কোরিয়াগী বলিষ্টিক মিসাইল ষ্ট্রাইক্কীদমক্তা মীয়াম্বু শেম-শাহনবা য়ু এসকী অহানবা ষ্টেট হৱাইয়ীনা ওইরে।

ষ্টেট অসিগী ইমরজেন্সি মেনেজমেন্ট এজেন্সিনা ইরাই নুমিৎতা অসিগুম্বা এটেক অমগীদমক্তা করি করি চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎকদগে হায়বদু মীয়ামদা খঙহন্নবগী পব্লিক ইদুকেসন কেম্পেইন অমা লাউথোকখি। নোর্থ কোরিয়ানা হৱাইয়ীগী ঈথৎশিং য়ৌবা ঙমগদবা ন্যুক্লিয়র খুৎলাইশিং অমসুং বলিষ্টিক মিসাইলশিং শারকখিবদগী ইমরজেন্সি মেনেজমেন্টগী ওফিসলশিংদা ন্যুক্লিয়র এটেক চত্থরকপা মতমদা মদুবু মায়োক্নবগী কোল্ড ৱার মতমগী প্লানশিং হৌজিক মতমগা চুননবা মওংদা অপদেট তৌনবা হায়খি।

হৱাইয়ীনা কুমজা ১৯৮০ গী মতুং চহী খরগী মনুংদা কোল্ড ৱার লোইশিনখিবদগী তারকখিদ্রবা ‘এটেক ৱার্নিং’ গী সাইরেন অমা থা খূদিংগী চাংয়েং হৌরগনি। মদু লাক্লিবা নভেম্বর থাদগী হৌরগনি হায়রি।



সাইরেন মখোল থাদোকপদু থা খূদিংগী অহানবা থবক্কী নুমিৎতা টেষ্ট তৌগনি।

ইনফোর্মেসন ব্রোচরশিংগা লোয়ননা টিভি, রেদিও অমসুং ইন্টর্নেটকী এনাউন্সমেন্টশিংনা মীয়াম্বু অনৌবা সাইরেন মখোল অদুগী মরমদা ৱাখল তাহনগনি অমসুং শেম-শাদুনা লৈনবগী গাইদেন্স পীগনি। অসুম্না মখোয়দা মাংজৌননা খঙহনহৌদবা তারবদি তশেংনমক মখোয় মদু তাবদা মীপাইবা পোকপা য়াই হায়না ইগজিক্যুটিভ ডিরেক্টর টোবি ক্লুরমন্টননা অনৌবা সাইরেনদু হৌদোকপদা থা কয়ামুক চঙবা য়াবগী ফিভম লৈরিবদু খঙহল্লদুনা হায়খি।

মিসাইল অমা য়ৌরকপদা মীনট ১৫ নৎত্রগা মীনট ২০ চঙগদবনা মীয়ামদা পীগদবা ইনষ্ট্রক্সনশিংদি ‘মনুংদা চঙলগা লৈয়ু অমসুং মখা তৌগদবশিং ঙাইয়ু’ হায়বসিনি হায়না এজেন্সিগী এদমিনিষ্ট্রেটর ভর্ন মিয়াগীনা হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা মীশিংনা ইমুং মনুং পূম্বা অমসুং পোৎ-চৌশিং খোল্লগা সেল্টরদা চঙবগী মতম ফংলোই, খুদক্তা হেক্তা পাঙথোক্কদবনি হায়খি।

# প্রোসিক্যুটর হাৎখিবগী কেসতা ইজিপ্টকী কোর্ট অমনা মীওই ২৮ শিবগী চৈরাক পীননবা খঙহনখ্রে



কাইরো, জুলাই ২২ (এজেন্সি):
হৌখিবা কুমজা ২০১৫ দা ইজিপ্টকী তোপ প্রোসিক্যুটর অমা হাৎখিবগা মরী লৈননা কাইরোদা লৈবা ক্রিমিনেল কোর্ট অমনা থাংজ নুমিৎতা মীওই ২৮ শিবগী চৈরাক পীখ্রে অমসুং অতৈ মীওই ১৫ বুনা চহী ২৫ জেলদা থম্নবা খঙহনখ্রে।

কোর্ট অসিনা হৌখিবা জুন থাদা ইজিপ্টকী লাইনিং লাইশোনগী খ্বাইদগী ৱাংবা ওথোরিটি ওইরিবা গ্রান্দ মুফতিদা শিবগী চৈরাক পীবদা অয়াবা পীনবা রেকমেন্দ তৌখি। গ্রান্দ মুফতিনা রেকমেন্দেসন অদু অয়াবা পীবা নৎত্রগা রিজেক্ট তৌবা ঙমই।

গ্রান্দ মুফতিনা অয়াবা পীরবা মতুংদা থাংজ নুমিৎকী হিয়রিংদা কোর্ট অসিনা কনফার্ম তৌখিবা চৈরাকশিং অদু অপীল তৌবা য়াগনি। পব্লিক প্রোসিক্যুটর হিসম বরাকট কাইরোদা মহাক্কী কনভোইদা কার বোম এটেক চত্থরকখিবদা শিখিবনি। ইজিপ্টনা এটেক অদু মুস্লিম ব্রদরহুদ অমসুং গজাদা বেজ ওইবা হমোসকী মিলিটেন্টশিংনা পাঙথোকখিবনি হায়না মরাল শিখি। অমরোমদা গ্রুপ অনীমক্না ইজিপ্টকী ৱাফম অসি য়াখিদে।

# ‘রশিয়ন অম্বেসেদরগা কেম্পেইনগী খন্নখি’

ৱাশিংটন, জুলাই ২২ (এজেন্সি):
হৌখিবা জুন ২০১৬ তা য়ু এসকী এটোর্নি জেনরেল জেফ সেসন্সনা দোনাল্ড ট্রম্পকী মীখলগী কেম্পেইনগী মরমদা ৱাশিংটনদা লৈবা রশিয়াগী অম্বেসেদরগা ৱা তানখি হায়বসি রিপোর্ট তৌখিবা য়ু এসকী ইন্টলিজেন্স ইন্টরসেপ্টশিংদগী খঙবা ঙমখ্রে।

ইন্টলিজেন্সকী ইন্টরসেপ্টশিংদা য়ুম্ফম ওইবা ৱাফম অসি কেম্পেইনদুগী মরমদা খন্নখিবা লৈতে হায়না এটোর্নি জেনরেলনা হঞ্জিন হঞ্জিন থাজবা পীখিবগা তায়োন্নরি। হৌজিক লৈরিবা অমসুং মমাঙগী য়ু এস ইন্টলিজেন্সকী ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না রশিয়ন অম্বেসেদর সর্গি কিসলয়াকনা মোস্কোদা মহাক্কী মথক থোংবশিংদা কেম্পেইনগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং অমসুং মরুওইবা পোলিসি ইসুশিংগী মরমদা সেসন্সকা উনবা মতমদা ঙাংনখি হায়না ৱাশিংটন পোষ্টনা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখি।

য়ু এসকী স্পাই এজেন্সিশিংনা ইন্টরসেপ্ট তৌখিবা মীটিংশিংদুগী মরমদা অম্বেসেদরদুনা ফোঙ-দোক্লিবশিংদু সেসন্সনা ফোঙ-দোকখিবশিংগা চানদে অমসুং মদুনা এটোর্নি জেনরেল অসিদা অচৌবা প্রেসর পীরি। ফিভম অসি প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা মহাকপু ইফোং ফোংনা ক্রিটিসাইজ তৌখিবা নুমিৎ খরনিদমক কান্নরগা লাক্লবনি।

# ইজরেলগী লাইশঙদা ঈরাং হেনগৎলকপদগী মীওই ৬ শিখ্রে



জেরুসালেম, জুলাই ২২ (এজেন্সি):
জেরুসালেমগী খ্বাইদগী য়েৎনবা লাইগী খুভম অমদা টেন্সন হেনগৎলকখিবদগী ৱেষ্ট বেঙ্ককী সেট্টলমেন্ট অমদা চত্থখিবা থাঙগী এটেক অমদা ইজরেলি অহুম শিখ্রে অমসুং সিটি অসিদা লম্বীদা খূৎ থোক্লবদা পালেষ্টিনিয়ন অহুম হাৎখ্রে।

ইরাই নুমিৎকী অহিং অথেংবদা ৱেষ্ট বেঙ্ককী ইজরেলি সেট্টলমেন্ট হলামিশতা লৈবা য়ুম অমদা পালেষ্টিনিয়ন অমা তুমিন্না চঙশিনখি অমসুং মহাক্না ইজরেলি অহুমদু থাঙনা থিনখি হায়না মিলিটরিনা ফোঙদোকখি।

এটেক্কর অদুনা শম্বল লানশিনখি অমসুং য়ূমদুদা চঙশিনখি। মহাক্না অদুম্না চঙশিল্লকখিবদুদা নুমিদাংদা মহৌশাগী সবাথকী চাক্লেন চারিবা ইমুংগী মীওইশিং ঙক্লখি। পালেষ্টিনিয়ন অদুনা ইমুংদুগী নুপা অমগা মহাক্কী মচা অনীগা হাৎখি। নুপা অমনা শোকপদগী হোস্পিটালদা পুখৎখি। নুপা অদুগী মশুশিংসু লৈরম্মী তৌইগুম্বসুং মখোয়দদি খূৎ থাখিদে।

আর্মিনা ঈনা কুপ্লবা চাকখুমগী ফ্লোরগী ইমেজশিং উৎখি। আর্মিনা সিনিয়র ওফিসলশিংনা ঙসি অহিং মীফম পাঙথোক্তুনা মখা তাবা খোঙথাংশিং লৌখৎপগী মতাংদা খন্নগনি হায়রি।

মিলিটরিগী স্পোক্সমেন অমনা পালেষ্টিনিয়ন এটেক অদু পাক্তক্লনা মী হাৎনবা হোৎনবগী থৌওং অমনি হায়না ফোঙদোকখি। ইজরেলি টিভিগী চেন্নেল টেননা হায়খি, এটেক্কর অদু চহী ২০ লোমগী লেঙ্গানি। মহাক্না ফেসবুকতা থাগৎলকখিবা ৱারোল অমদা জেরুসালেমগী শেংলবা খুভম অদুদা থোক্লিবা থৌদোকশিং অদুনা মহাকপু পেলহন্দ্রে হায়না ইখি। ইজরেলগী রেস্ক্যু সর্ভিস এম ডি এগী মকোক এলি বিননা হায়খি, দ্যুটি তাদবা য়ুমথংননা লৈবা লান্মী অমনা কপ-লাওবগী মখোল তাখি। মহাক্না য়াম্না থুনা য়ুমদুদা চেনশিনখি অমসুং থোংনাও অমদগী এটেক্কর অদুদা কাপখি। অশোকপা এটেক্কর অদু হোস্পিটাল অমদা পুখি হায়না বিননা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা পালেষ্টিনিয়ন প্রসিদেন্ট মাহমৌদ অব্বাসনা ইজরেলগা মরী তৎনরগনি হায়না লাউথোকখ্রে। মদুনা ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন্না পিছ টোক্ক হিঙ্গৎহন্নবা হোৎনরক্লিবদুদা চৈথেং পীরগনি হায়রি।

অব্বাসনা হায়খি মদুদি, থাক খূদিংমক্তা ইজরেলগা কন্টেক্ট খূদিংমক লেপ্পরগনি। মহাক্কী ৱাফম অসি ইজরেলি ট্রুপশিং অমসুং অব্বাসকী ফোর্সশিংগী মরক্তা মতম শাংনা লৈরকখিবা সিক্যুরিটি কোওর্দিনেসনগা মরী লৈরকখিবা সিক্যুরিটি কো-ওর্দিনেসনগা মরী লৈননা ফোঙদোক্লিব্রা হায়বদুদি খুদক্কী ওইনা খঙবা ঙমখিদে।

হৌজিক্কী ঈরাং অদুদা মরু ওইনা খন্নরক্লিবদি ইজরেলনা চয়োল অসিদা জেরুসালেমগী খুভমদুদা মেটল ডিটেক্টর থমখিবা অসিনি। মফমদুদা অরাব গনমেনশিংনা এটেক অমা পাঙথোকখিবগী পাউখুম ওইনা মেটল ডিটেক্টরশিংদু থমখিবনি।

# টালিবান লিদরগী মচানুপানা সুইসাইদ এটেক পাঙথোকখ্রে

কাবুল, জুলাই ২২ (এজেন্সি):
টালিবানগী লিদর মুলাহ হাইবাটুলাহ অখুনজাদাগী মচানুপা শগোলশেন নুমিৎতা সাউদর্ন অফঘানিষ্টানগী হেলমন্দ প্রোভিন্সতা সুইসাইদ এটেক অমা পাঙথোক্লগা শিখ্রে হায়না লালহৌবা গ্রুপ অসিগী স্পোক্সমেননা ফোঙদোকখ্রে।



হাফিজ খলিদ হায়নসু খঙনবা মশাগী চহী ২৩ শুরবা অব্দুর রহমন অফঘান মিলিটরি বেজ অমদা এক্সপ্লোসিভস মরাং কায়না য়াওরবা ভেহিকল অমা থৌজিল্লগা এটেক তৌবদা শিখি। টালিবানগী সাউদর্ন অফঘানিষ্টানগী মরু ওইবা স্পোক্সমেন করি য়ৌশফ অহমাদিগী মতুং ইন্না, এটেক চত্থখিবা অফঘান মিলিটরি বেজ অদু প্রোভিন্সিয়ল কেপিটেল লাস্কর গাহগী অৱাংদা লৈবা গেরেস্ক টাউনদা লৈ।

অহামাদীনা হায়খি, অব্দুর বাহমন মাদ্রাসাগী মহৈরোয় অমা ওইরকখি তৌইগুম্বসুং মহাক্না সুইসাইদ এটেক অমা পাঙথোকপা পামখি। ‘মহাক্কী মিসন অদু হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা মায় পাকখি।’ টালিবান ফাইটরশিংনা শগোলশেন নুমিৎতা গেরেস্ককী অকোইবদা কন্না খূৎ থোক্নরিঙৈ মনুংদা চেকপোইন্টশিংদা অফাবা হমভীশিং থৌজিনখি।

হাইবাতুলাহগী ইমুংগা নকশিন্নবা টালিবানগী সিনিয়র মেম্বর অমনা হায়খি, হৌখিবা চহীদা মহাক্কী মপানা টালিবানগী লিদর ওইদ্রিঙৈগী মমাঙদা অব্দুর বাহমন সুইসাইদ বোম্বর অমা ওইনা মিং চনখি অমসুং মহাক্কী মপানা লূচিংবা ওইনা থবক তৌবা হৌখিবা মতুংদসু মহাক্না মখা তানা সুইসাইদ বোম্বর ওইনা লৈবা পামখি।

হৌখিবা ২০১৬ কী মে থাদা পাকিস্তানদা য়ু এসনা চত্থখিবা দ্রোন ষ্ট্রাইক অমদা মুলাহ অখতর মোহম্মদ মনসৌর শিখিবা মতুংদা মুলাহ হাইবাটুলাহনা টালিবানগী লূচিংবা ওইখিবনি। মসিগী মমাঙদা সুপ্রিম লিদরশিংগী ইমুংগী মেম্বরশিং অমসুং নক্লবা মরী-মতা কয়ানা সুইসাইদ বোম্বিংশিং পাঙথোকখি। তৌইগুম্বসুং মচানুপানা মথ্নায় থাদোকপা অহানবা সুপ্রিম লিদরদি শৈইখ হাইবাটুলাহনা ওইরে হায়না টালিবানগী সিনিয়র লিদর অমনা হায়খি।

গভর্নমেন্টগী ওফিসল অমনা হায়খি মদুদি, সিক্যুরিটি ওফিসলশিংনা থৌদোক অদু থিজিল্লি অমসুং মখোয়না মুলাহ হাইবাটুলাহগী মচানুপা শিখ্রে হায়বসি কনফার্ম তৌবা ঙমদে। অফঘানিষ্টানগী ওপিয়ম অয়াম্বগী হৌরকফম ওইরিবা হেলমন্দদা হন্দক ওপিয়ম লোকপগী মতম লোইখিবা মতুংদা লাল কনশিল্লকখিবদগী গেরেস্ককী থৌদোক অসি থোক্লক্লিবনি।

লালহৌবশিংনা প্রোভিন্স অসিগী অয়াম্বা শরুক কন্ট্রোল তৌই। মখোয়না লাস্কর গাহদসু অকিবা পোকহল্লি। তৌইগুম্বসুং য়ু এসনা এয়র ষ্ট্রাইক চত্থদুনা শৌগৎপা গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনা মখোয়বু প্রোভিন্সিয়ল কেপিটেলগী অকোইবদগী তান্থোকখিনবগী ওপরেসন অমা লোঞ্চ তৌখি। হেলমন্দগী লাল অদুদা নৎতনা লৈবাক অসিগী অতৈ মফম কয়াদগী লাল কন্না শোক্লবগী পাউ লাকখি। অৱাংলোমদা লৈবা কুন্দুজ অমসুং বাখলান প্রোভিন্সতগীনা নোংচুপলোমদা ফারাহ প্রোভিন্স ফাওবদা লাল কনশিল্লক্লিহায়রি।


# ইস্লামিক ষ্টেটকী লিদর অবু বাকর অল-বাঘদাদি হিংলি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না পেন্টাগোনগী চীফনা ফোঙদোকখ্রে

ৱাশিংটন, জুলাই ২২ (এজেন্সি):
ইস্লামিক ষ্টেটকী চীফ অবু বাকর অল-বাঘদাদি হৌজিকসু হিংলি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না পেন্টাগোনগী চীফ জিম মটিসনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্কী ৱাখলদা বাঘদাদি হিংলি হায়না খল্লি, অদুনা মহাক শিরে হায়বসি য়ু এস ফোর্সশিংনা মহাকপু হাৎলবা মতমদদা মহাক্না থাজগনি হায়না মটিসনা পেন্টাগোনদা পাউমীশিংদা হায়খি। মটিসনা হায়খি, ‘ঐখোয়না বাঘদাদিবু কোইথী থীরি তৌইগুম্বসুং মহাক হৌজিকসু হিংলি হায়না ঐখোয়না লৌই।’

মতম শাংনা সিরিয়াগী কনফ্লিক্টকী মোনিটর অমা ওইরকখিবা বৃটেনদা বেজ ওইবা সিরিয়ন ওবজর্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা হৌখিবা চয়োলদা ফোঙদোকখিবদা সিরিয়াগী দৈর ইজোর প্রোভিন্সতা বাঘদাদি শিখ্রে হায়বসি আই এসকী সিনিয়র লিদরশিংদগী তারে হায়খি।

হৌখিবা জুনগী ময়াই চনবদা রসিয়াগী আর্মিনা হায়খি মদুদি, সিরিয়াদা মে থাদা রশিয়নশিংনা এয়র ষ্ট্রাইক অমা চত্থখিবদা আই এসকী মকোক শিখিবগী মতাংদা ভেরিফাই তৌনবা হোৎনরি। মকোক্তা ডোলর মিলিয়ন ২৫গী মনা লাউথোকখ্রবা বাঘদাদি তুমিন্না লৈশিনখি। তৌইগুম্বসুং মহাক আই এসনা পায়শিল্লিবা ইরাক অমসুং সিরিয়াগী লমশিংদা তোইনা চৎথোক-চৎশিন তৌদুনা লৈ হায়না ঙাংন-শরুন্দুনা লাকখি।



ইরাকি মচা অসি হৌখিবা ২০১৪ দা মোসুলদা লৈবা গ্রান্দ মোস্ক অল-নুরিদা মীয়াম্না কলিফ অমা ওইনা থোক্লকখিবা উখিবদগী ঙসি ফাওবদা মশক উদনা লৈরক্লিবনি। মতমদুদা মহাক্না ‘কালিফেট’ লাউথোকখিবা মোস্ক অদু ইরাক্কী অনীশুবা সিটিগী লালদা মাঙ-তাকখ্রে।